# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-04-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা লালহৌলুপ অনিগী মীওই অনি তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসননা কোনবা টি-বোংমোলদগী ফারে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-ফারবা মীওহশিং অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখায়দগী প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চঙাংগৈ অৱাং লৈকাইদগী পি.এল.এগী মীওই অমনি হায়রি।

মনিপুর পুলিসনা ইরাং শাগৎপদা চেন্নবা মীওই অনি ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী তিংগ্রী মখা লৈকাইদা লৈবা মখোয় মখোয়গী ময়ুমশিংদগী ফারে। মখোয় অদু নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী কোইরেংগৈ ক্রোসিংদা ইরাং শাগৎপদা হকথেংননা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়না সেক্যুরিতি ফোর্সতা নাউরি কাপশিল্লকপা, নুঙ থাজিল্লকপা য়াওনা লম্বীদা মৈনচিংবা থাদুনা ইরাং শাগৎনবা হোৎনবদা চেন্নবনি। মখোয় অনিগী মনুংদা অমদি মনিপুর পুলিসকী পার্সোনেলনি হায়রি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো খুনৌ লৈকাইদগী মীওই অমা ময়াং ইম্ফাল থোংখোঙদা য়ু লিটর ২৭০ গা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওই অদু পোৎলমশিং অদুগা কোন্ননা মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা এক্সাইস দিপার্টমেন্টতা খঙহনখ্রে।

মনিপুর পুলিসনা এন.সি.বিগা খুৎশমরগা চুরাচান্দপুর জিলাদা মরু-মরাং য়েন্থোকপগী থৌরাং পায়খৎলে। হিনচি হায়না মিংথোনবা থৌরাং অসিগী মখাদা জিলা অসিদা পাক্তকনা পোপী থারম্বা মফমশিংদা লৈবা য়ুম ১২৭ তা বিনিফিসরি ওইনা থানবা মরু-মরাং য়েন্থোকপগী থবক পায়খৎপা হৌরে। কোরপোরেট সোসিএল রেস্পোন্সিবিলিতিগী মখাদা চেন্নাইদা লৈবা সেগুলা টেকোলোজিসনা

পুন্না লুপা লাখ ২৮ গী  তেংবাংগী শেন্থং পীরক্লি। মসিগী মখাদা মনিপুর পুলিসনা বিনিফিসরিশিং অসিদা শিঙ থানবা মরু-মরাং কিলোগ্রাম লিশিং ৫৫, হৱাই থরাক কিলোগাম ৪৫০, লফু চারা লিশিং ৬,৫০০ য়াওরি। মখা তানা মনিপুর পুলিস, এন.সি.বি. অমসুং এন.এ.আর.পি.এসকী অপুনবা কাংবু অমনা মফম অসিদা কুপা য়েংশিনগনি।

**পুলিস(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী মন্ত্রিপুখ্রিদা নুপাগী অশিবা হকচাং অমা থা অসিগী ১৪ দা লৈরম্বা থেংনখিবা অদু কুকি মিলিটেন্টসনা হাৎপনি হায়না সোসিএল মেদিয়াদা শন্দোক্লিবা পাউ অদু অরানবনি হায়না মনিপুর পুলিসনা শেংদোরক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মনিপুর পুলিসনা হায়-লৈখিদ্রবা মীওই অদু ফৈবা ভিলেজতগী রমকান চলম্বা কৌবা মীওই অমনি হায়বা খঙবা ঙমলে। মীশি অসিগা মরী লৈননা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিল্লি। অরানবা পাউ শন্দোরকপদা মীয়ামনা থাজবীগনু হায়না মনিপুর পুলিসনা আপিল তৌরি। মীয়ামদা অকি-তুজং পোকহনবা, অরানবা পাড শন্দোকপা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি হায়না মনিপুর পুলিসনা ফোংদোক্লি।

**খোঙজোম (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খোঙজোম খেবা চীংদা লৈবা খোঙজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা খোঙজোম ডেগী নুমিৎ থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি।

রাজ্য সরকারনা শিনদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিগী শেম শাবা পুমমক লোয়রে। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ শরুক য়াগনি। অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কৎপা, খোঙজোম তুরেলদা তর্পন কৎপা, গার্দ ওফ ওন্নর অমদি জেনরেল সেলুট পীবনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি। লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা

মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ঙরাং নুমিদাং পুং তরুক্তগী মতম কক্তনা কার্ফিয়ু থমজিনখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, ককচিং, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**মীখল ঃ** নোংচুপ বেঙ্গলগী বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং তামিলনাদু বিধান সভা মীখলগী ভোট হয়েং থাদনরগনি। মীখল অসিগীদমক মপুং ফানা শেম শাবা লোয়রে।

নোংচুপ বেঙ্গোলগী অহানবা তাঙ্কক্তা বিধান সভা কেন্দ্র ১৫২ দা ভোট থাদনগনি। ঙরাং ভোট খোম্বগী অরোইবা মতম ফাওবদা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ঙমজবী থাদুনা ভোট খোমখি।

অমরোমদা, নোংচুপ বেঙ্গোলদা ইলেক্সন কম্মিসননা পোল্লিং বুথ লিশিং ৮ হেন্না ইরাং থোক্লকপা য়াই হায়না অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

তামিল নাদুদসু রাজনিতি দলশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপকীদমক ঙরাং অরোইবা পুংজা ফাওবা ভোট খোমখি।

**ইসিঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা অনিশুবা তাঙ্কক্কী ইন্টরনেসনেল ইলেক্সন ভিজিটরস প্রোগ্রাম ২০২৬ ঙরাং হৌদোকখ্রে।

তামিল নাদু অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা ইলেক্সন কম্মিসনগী কম্মিস্নার-গ্যানেশ কুমারনা থৌরম অদু ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্টরনেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ দেমোক্রেসি এন্দ ইলেক্সন মেনেজমেন্টতা হৌদোকখিবনি।

কম্মিসননা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হায়রিবা কেম্পেইন অসিদা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৭ তগী মীহুৎ ৩৪ না শরুক য়াগনি। মীহুৎশিং অদুদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনগী থবক থৌরমশিং উৎপা, মোগ ড্রিল পাঙথোকপদা শরুক য়াহনবনচিংবা কয়া কেম্পেইনগী মনুং চন্না পাঙথোক্কনি। ভারতকী মীখলদা মপান লৈবাক্কী মীহুৎশিং য়াওহনবগী কেম্পেইন অসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মসিগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম অমা ওইনা পায়খৎপনি।

**এলপিজিঃ** সরকারনা হায়রি-লৈবাক অসিদা হৌজিক চাকথোং গ্যাস এল.পি.জি. ৱাৎকনি হায়বগী মীপায়নিংঙাই লৈতে।

নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা মন্ত্রিশিংগী মীফমদা শরুক য়ারদুনা কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি-সুজাতা শর্ম্মনা হায়-মালেমগী কৈথেলদা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল ৱাংখৎলক্লবসু লৈবাক অসিদা এল.পি.জি. মরাং কায়না ফংহন্নবা সরকারনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

কেন্দ্রগী পোর্ট, সিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেজ মন্ত্রালয়গী এদিসনেল সেক্রেটরি-মুকেশ মগলনা হায়-শুংদোক্ত্রিবা থাউ পুবা ভারতকী জহাস পুমমক গল্ফ লমদমদা অশোয় অঙাম য়াওদনা লৈরি। মরম অদুনা, মীয়ামনা পেট্রোল্লিয়মগী পোৎলম অমসুং চাকথোং গ্যাস ফংলোই হায়বগী মীপায়নিংঙাই লৈতে।

**ক্রিকেটঃ** ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী মেটচ অমদা ঙরাং সনরাইজরস হায়দ্রবাদনা দিল্লি কেপিটেলসপু রন-৪৭ তা থোইখ্রে। দিল্লি কেপিটেলসনা টোজ ঙমদুনা সনরাইজরস হায়দ্রবাদপু হান্না বেটিং তৌহনখি। সন রাইজরস হায়দ্রবাদনা অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট অনি তুরগা রন-২৪২ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা, দিল্লি কেপিটেলসনা ৱিকেট ৯ তুরগা রন-১৯৫ খক্তমক লৌবা ঙমখি। ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা লক্ষনৌ সুপর জাইন্সকা রাজস্থান

রোয়েলসকা লক্ষনৌগী একনা ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

য়ু.এন.সিগী সটদাউন্দ শৌগৎপশিংগা কুকি খুঞ্জাশিংগা খৎনখ্রে, কুকিগী মায়কৈদগীদি নোংমৈসু কাপ্পকখি হায়বা পাউ পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ-তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সনা লৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন অনিমক্তা ফোংলি।

ৱাংজিংদা এস.এফনা কাপশিল্লকপদা অমা শোক্লে, টি খুল্লেনদা খৎ থোক খ্রে হায়বা পাউ সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি। এক্স চীফ মিনিস্তর-এন. বিরেন হোম মিনিস্তরনা কৌরকপদগী দিল্লি পাংখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

আই.দি.পিশিংগী লুপা ক্রোর ১২৪ হেন্না কায়থোরক্লগা লুপা ক্রোর ৬৫ খক্তমক দি.সিশিংগী খুত্থাংদা রিলিজ তৌরিবং অসি লৈঙাক্কী অশোয়বনি হায়না কংগ্রেসকী হরেশ্বর গোশ্বামীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

অথিংবা মরক্তা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ৱাংজিংদা বি.দি.ও. ওফিস শঙ্গাখ্রে, মীয়মানা ফুবদা ভি.দি.এফ. ভোলুন্টিয়ার অমা, পুলিসকী খুৎতনা অহুম শোকখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মনিপুরদা হেলিকোপ্তর সার্ভিস ঙরাংদগী লেপখ্রে হায়না পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ত্রোংলাউবী থৌদোক য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মীয়ামনা মখা তানা খোঙজং চংশিল্লি হায়নবা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

এম.পি. বিমোল অকোইজমনা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা সেন্টরনা

থওইদবা মওং উৎলি হায়বা পাউ গানফিয়ু মেলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.এন.সিনা কৌখিবা টোটেল সটদাউন্দগী অহানবা নুমিৎতা তমেংলোংদা শান্তি ওইনা লোয়শিনখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কাংপোকপী সব দিভিজনদা কার্ফিয়ু থমজিনখিবগী পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা ফোংলি।